### গভর্ণরস কপ পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৮

# এম পি এস সী-এ অমসুং চীংখৈহুনবা পোলো ক্লব সেমী ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ২৫ (ঐচএনএস) : মণিপুর হোর্সরাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএসন্না শিন্দুনা মপাল কাংজেবুংদা পাঙথোক্লিবা ২৮শুবা গভর্ণরস কপ ইনভিটেসন পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিংদা মায় পাক্তুনা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব -এ (এম পি এস সী-এ) অমসুং চীংখৈহুনবা পোলো ক্লব সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ১৪না শরুক য়ারগা নোক আউট বেসিসতা পাঙথোক্লিবা ২৮শুবা গভর্ণরস কপ ইনভিটেসন পোলো টুর্নামেন্ট অসিগী ২শুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা এম পি এস সী-এ অমসুং ইম্ফাল রাইদিং ক্লব শান্নখি। টিম অনীনা হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। মেচ অদু এম পি এস সী-এনা ইম্ফাল রাইদিং ক্লবপু পাঞ্জল ৭-২দা মায়থীবা পীরল্লগা সেমী ফাইনেল চঙবা ঙম্বা অনীশুবা টিম ওইখি। এম পি এস সী-এগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ১ এস অবুংচানা অহানবা চক্রগী সেকেন্দ ১৯, অহুমশুবা চক্রগী সেকেন্দ ৪৫ অমসুং ৪শুবা চক্রগী মিনিট ৫গা সেকেন্দ ৩৫দা পাঞ্জল ৩, জর্সি নম্বর ২ টি ঐচ রোমেন্না অহানবা চক্রগী মিনিট ৩গা সেকেন্দ ৫৯ অমসুং অনীশুবা চক্রগী মিনিট ৭ সেকেন্দ ২৮ চৎপদা পাঞ্জল ২, জর্সি নম্বর ৬ টি ঐচ রঞ্জিৎনা অহুমশুবা চক্রগী সেকেন্দ ১৬তা পাঞ্জল ১ অমসুং এম পি এস সী-এগী টিম কেপ্তেনসু ওইরিবা জর্সি নম্বর ৩ এস বিমোলনা অহুমশুবা চক্রগী মিনিট ৩ সেকেন্দ ১৪দা পাঞ্জল অমা চনখিবনি। মায়থীহৌরবা ইম্ফাল রাইদিং ক্লবকী পাঞ্জল অনী অদুনা জর্সি নম্বর ২ এল রোহিটনা অহানবা চক্রগী মিনিট ৫ সেকেন্দ ৮ অমসুং জর্সি নম্বর ১ ওমেস গুরুংনা অনীশুবা চক্রগী সেকেন্দ ৫৯দা পাঞ্জল অমমম চনখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা চীংখৈহুনবা পোলো ক্লব অমসুং খুরাই পোলো ক্লব শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখি। মেচ অদু চীংখৈহুনবা পোলো ক্লবনা খুরাই পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৮-৭তা মায়থীবা পীরল্লগা সেমী ফাইনেল চঙবা ঙমখিবা অহুমশুবা টিম ওইখি। চীংখৈহুনবা পোলো ক্লবকী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু জর্সিনম্বর ৪ এ বসন্তনা অহানবা চক্রগী মিনিট ৫ সেকেন্দ ৩৭তা পাঞ্জল ১, জর্সি নম্বর ৫ এল লোকেশ্বরনা অনীশুবা চক্রগী মিনিট ৬ সেকেন্দ ৩৯, অহুমশুবা চক্রগী মিনিট ১ সেকেন্দ ৩৪ অমসুং মরিশুবা চক্রগী মিনিট ২ সেকেন্দ ১৭তা পাঞ্জল অহুম অমদি চীংখৈহুনবা পোলো ক্লবকী কেপ্তেনসু ওইরিবা জর্সি নম্বর ১ টি ঐচ কাওবনা অহুমশুবা চক্রগী মিনিট ১ সেকেন্দ ১৯, মিনিট ৩ সেকেন্দ ১৫, মরিশুবা চক্রগী মিনিট ৩ সেকেন্দ ৫৭ অমসুং মঙাশুবা চক্রগী মিনিট ২ সেকেন্দ ৫৮দা পূন্না পাঞ্জল ৪ চনখি। মায়থীহৌরবা খুরাই পোলো ক্লবকী পাঞ্জলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ১ টি রোসন্না অহানবা চক্রগী সেকেন্দ ১৮, অহুমশুবা চক্রগী মিনিট ২গা সেকেন্দ ৫০ অমসুং মরিশুবা চক্রগী মিনিট ৬ সেকেন্দ ৪৫দা পাঞ্জল ৩, টিম কেপ্তেনসু ওইরিবা জর্সি নম্বর ৩ এল থোমসন্না অহানবা চক্রগী মিনিট ১ সেকেন্দ ১৭, মিনিট ৪ সেকেন্দ ৫৭, অহুমশুবা চক্রগী মিনিট ৬ সেকেন্দ ৩৭ অমসুং ৪শুবা চক্রগী মিনিট ৫ সেকেন্দ ৩৫দা পাঞ্জল ৪ চনখি। টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা অমসুং অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা হয়েং এম পি এস সী-সী অমদি এক্স পোলো ক্লব শান্নগনি। লোয়ননা ১৭শুবা গভর্ণরস কপ ৱিমেন্স পোলো টুর্নামেন্ট২০১৮ অহানবা মেচ ওইনা কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুল অমসুং থাংমৈবন্দ য়ুথ পোলো ক্লব হয়েং নুংথিল পুং২ তাবদা শান্নগনি।

### ১৩শুবা ষ্টেট লেভেল সভেন এ সাইদ ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮

# হেমন্তা এফ সী চজিংনা পেনালটিদা মায় পাক্লগা চেম্পিয়ন ওইখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ২৫ (ঐচএনএস) : অৱাং খুনৌ য়ুথ দিভ্লপমেন্টএসোসিএসন (এ ৱাই দি এ) না শিন্দুনা অৱাং খুনৌ ময়ায় লৈকায়গী গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা ১৩শুবা ষ্টেট লেভেল সভেন এ সাইদ ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ফাইনেলদা হেমন্তা এফ সী চজিংনা পেনালটিদা মায় পাক্লবা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইখ্রে। অদুগা খা সঞ্জেনবম এফ সীনা রন্নর্স-অপ তাহৌরে।

তোঙান তোঙানবা টিম ১৬না শরুক য়ারগা গ্রুপ মরি থোক্লা খাইদোক্লগা পাঙথোকপা ১৩শুবা ষ্টেট লেভেল সভেন এ সাইদ ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ অসিগী ফাইনেলদা ঙসি খা সঞ্জেনবম এফ সী অমসুং হেমন্তা এফ সী চজিং শান্নখি। ফাইনেল মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীনা অকনবা লম্বা তৌনরগা শান্নখি। অহানবা হাফ হৌরকপা কুইদ্রিঙৈ মেচকী ৮শুবা মিনিটতা খা সঞ্জেনবম এফ সীগী জর্সি নম্বর ৭ লাইশ্রম জেকোবনা মেচ অদুগী অহানবা গোল চল্লগা মহাক্কী টিম্মু য়াম্না ঙন্না মাঙজিল থাহনখি। মেচকী অঙনবা শরুক্তগী খা সঞ্জেনবম এফ সীনা মাঙজিল থারিবা গোল অদু হেমন্তা এফ সী চজিংগী মায়কৈদগী অকনবা এটেক চথ্বরকখি। অদুবু অহানবা হাফ লোইরকপা ফাওবদা হেমন্তা এফ সী চজিংনা গোল অদু হন্দোকপা ঙমখিদবনা খা সঞ্জেনবম এফ সীনা গোল ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অহানবা হাফতগী হৌনা খা সঞ্জেনবম এফ সীনা মাঙজিল থারক্লিবা গোল অদু হন্দোক্লবগীদমক অনীশুবা হাফতা হেমন্তা এফ সী চজিংনা হান্না শান্নরম্বা মতৌদগী হোংদোক্লগা তোপ তোপ্পা মওং অমদা শান্নরকখি। মেচকী ৪২শুবা মিনিটতা হেমন্তা এফ সী চজিংগী জর্সি নম্বর ১৩ লাইশ্রম প্রেমকান্তনা গোল অমা চল্লগা খা সঞ্জেনবম এফ সীনা মাঙজিল থারিবা গোল অদু হন্দোক্তুনা মেচ অদু গোল ১-১দা ইক্বেলাইজ তৌখি। গোল ইক্বেলাইজ তৌখ্রবা মতুংদা টিম অনীমক্না টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙম্নবগীদমক অহেনবা গোল চন্নবা অকনবা এটেক চথনখি। অদুবু মেচকী অপীবা মতম লোইশিল্লকপা ফাওবদা টিম অনীমক্ন।অহেনবা গোল চন্নদবদগী পেনালটি কাওনখি। পেনালটিদা হেমন্তা এফ সী চজিংনা খা সঞ্জেনবম এফ সীবু গোল ৬-৫দা মায়থীবা পীরল্লগা ১৩শুবা ষ্টেট লেভেল সভেন এ সাইদ ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ অসিগী চেম্পিয়ন ওইখিবনি। অদুগা ফাইনেল মেচ অসিদা মায়থীহৌবদগী খা সঞ্জেনবম এফ সীনা রন্নর্স-অপ তাহৌখিবনি।

ফাইনেল মেচ অদুদা মায় পাকখ্রবা হেমন্তা এফ সী চজিংগী জর্সি নম্বর ৩ কবিরাজ মীতৈ, জর্সি নম্বর ৬ সোরোকখাইবম চীংখৈঙানবা মীতৈ, জর্সিনম্বর ৭ লাইশ্রম প্রদিপকুমার, জর্সি নম্বর ১০ নেত্রজিৎ মীতৈ অমসুং জর্সি নম্বর ১১ হাওরোংবম রোমারিওনা পেনালটিদা গোল ৫ চনখি। অদুগা খা সঞ্জেনব এফ সীগী জর্সি নম্বর ১৯ লাইশ্রম প্রেমজিৎ, জর্সি নম্বর ১৩ লাইশ্রম জোনসন, জর্সি নম্বর ২২ লাইশ্রম প্রেমকুমার অমসুং জর্সি নম্বর ৭ লাইশ্রম জেকোবনা গোল ৪ চনখি।

১৩শুবা ষ্টেট লেভেল সভেন এ সাইদ ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ অসিগী বেষ্ট প্লেয়রনা খা সঞ্জেনবম এফ সীগী লাইশ্রম প্রেমজিৎ, হায়েষ্ট স্কোররনা বি এফ সী অৱাং খুনৌগী থৌনাওজম নোরেন অমসুং ফাইনেল মেচ অসিগী মেন ওফ দি মেচনা হেমন্তা এফ সী চজিংগী লাইরেঞ্জম প্রেমকান্তনা তাখি।

### মরিশুবা এম সী এ প্লেট টুর্নামেন্ট ২০১৮

# টি সী এম দি সী থোংজুনা ৱিকেট ৮দা মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (ঐচএনএস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসন (এম সী এ) না শিল্লগা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা মরিশুবা এম সী এ প্লেট টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচ টি সী এম দি সী থোংজুনা ৱিকেট ৮দা মায় পাকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ২১না শরুক য়াদুনা গ্রুপ মরি থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা মরিশুবা এম সী এ প্লেট টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি অয়ুক পুং ৯.৩০ তাবদগী টি সী এম দি সী থোংজু অমসুং ৱাই য়ু সী ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেল শান্নখি। মেচ অদু টি সী এম দি সী থোংজুনা টোস ঙমদুনা বোল্লিং খনখি। অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা ৱাই য়ু সী ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেল লৈকায়না ওভর ২৭তা ৱিকেট লোইনা তুরগা রন ৮৯ লৌখি। ৱাই য়ু সীগী সুনিলনা বোল ২৯দা রন ১৮, সঞ্জিৎনা বোল ৫৪দা রন ১৯, রোনিলনা বোল ২২দা রন ৮ অমসুং সুরজনা বোল ৪দা রন ৫ লৌখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা টি সী এম দি সী থোংজুনা ওভর ৯দা ৱিকেট২ খক তুরগা রন ৯২ লৌদুনা ৱাই য়ু সীবু ৱিকেট ৮দা মায়থীবা পীখি। টি সী এম দি সী থোংজুগী ঙাম্থোইনা বোল ২৩দা রন ৪৪, বাল্লুনা বোল ২২দা রন ২৮ অমসুং রীবান্তানা বোল ৪দা রন ৬ লৌখি। অহানবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌখিবা টি সী এম দি সীগী টুলজিৎনা ওভর ৭তা ৱিকেট ৪, ঙাম্থোইনা ওভর ৪দা ৱিকেট ৩, সৈতেন্দ্রনা ওভর ৪দা ৱিকেট ১, সনাতোন্না ওভর ৫দা ৱিকেট ১ অমসুং সুরজনা ওভর ২দা ৱিকেট ১ লৌখি। টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেচতা বোল ২৩দা রন ৪৪ অমসুং ৱিকেট ৩ লৌবা ঙমখিবা টি সী এম দি সী থোংজুগী ঙাম্থোইনা মেন ওফ দি মেচ তাখি।

### অহানবা ষ্টেট লেভেল মিনি বোইজ বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট

# সেমী ফাইনেলদা বাখেনা এস দি সীগা, এন ৱাই ভি এনা আই জি ওগা শান্নরগনি



ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (ঐচএনএস) : সোসিএল দিভলপমেন্ট ইন্সটিট্যুট (এস দি আই) ইশোক্না শিল্লগা ইশোক অৱাং বোল্লিবোল গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল মিনি বোইজ বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী সেমী ফাইনেলদা বাখে সনা কৈথেলনা এস দি সী শমুরৌগা অমসুং এন ৱাই ভি এ নাওরেম্না আই জি ও ওইনাম শান্নরগনি।

তোঙান তোঙানবা টিম তরুক্না শরুক য়ারগা গ্রুপ ২ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল মিনি বোইজ বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসিগী অহানবা মেচ ওইনা এন ৱাই ভি এ নাওরেম অমসুং এস দি আই ইশোক শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখি। মেচ অদু এন ৱাই ভি এ নাওরেম্না এস দি আই ইশোকপু ৩-০ (২৫-১৫, ২৫-১৮, ২৫-২১) দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নীনি চনবা নুমিৎকী অনীশুবা মেচ ওইনা বাখে লম্ফেল সনা কৈথেল অমসুং আই জি ও ওইনাম শান্নখি। মেচ অদু বাখে লম্ফেল সনা কৈথেলনা আই জি ও ওইনামবু ৩-০ (২৫-১৮, ২৫-২৩, ২৫-২৩) দা মায়থীবা পীখি।

অহুমশুবা মেচ ওইনা এন ৱাই ভি এ নাওরেম অমসুং এস দি সী শমুরৌ শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীগী মায়কৈদগী সেমী ফাইনেল চঙনবগীদমক অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখি। মেচ অদু এন ৱাই ভি এনা এস দি সীবু ৩-১ (২৫-১৮, ২৫-২২, ২৩-২৫, ২৫-১৭) দা মায়থীবা পীরল্লগা সেমী ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

গ্রুপ ষ্টেজগী অরোইবা মেচতা ঙসি বাখে লম্ফেল সনা কৈথেল অমসুং এস দল্লিয়ু ৱাই সী শান্তিপুর শান্নখি। মেচ অদু হৌবদগী লোইবা ফাওবা অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখি। মেচ অদু বাখেনা এস দল্লিয়ু ৱাই সীবু ৩-১ (২৫-১৬, ২৭-২৫, ২৩-২৫, ২৫-১৭) দা মায়থীবা পীরল্লগা গ্রুপ এগী ৱিন্নর ওইরগা সেমী ফাইনেল চঙবা অনীশুবা টিম ওইখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সেমী ফাইনেল মেচতা বাখে লম্ফেল সনা কৈথেল অমসুং এস দি সী শমুরৌ শান্নরগনি। অদুগা অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচতনা এন ৱাই ভি এ নাওরেম অমসুং আই জি ও ওইনাম শান্নরগনি।

### অহানবা দি এস এ য়ুথ ফুটবোল লীগ, ২০১৮

# ৱাই দি ও, কে পি এস সী, এস দল্লিয়ু সী মায় পাকখ্রে, জে এ ককচীং অমসুং দি ৱাই এ দ্রো চৎখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ২৫ (ঐচএনএস) : ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা) গী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন (দি এস এ) ককচীংনা শিল্লগা হৌখিবা মার্চ ১১দগী হৌদুনা পাঙথোকপা অহানবা দি এস এ য়ুথ ফুটবোল লীগ ২০১৮গী এস দল্লিয়ু সী কৈরক্কী প্লে গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখি মেচশিংদা ৱাই দি ও সোরা, কে পি এস সী ককচীং অমসুং এস দল্লিয়ু সী কৈরক মায় পাকখ্রে। অদুগা জে এ ককচীং অমসুং দি ৱাই এ এলাংখাংপোকপী দ্রো চৎখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ৯না শরুক য়ারগা পাঙথোকপা অহানবা দি এস এ য়ুথ ফুটবোল লীগ ২০১৮ অন্দর-১৫ বোইজকী ৫শুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ুক পুং ৮ তাবদগী ৱাই দি ও সোরা অমসুং কে ৱাই দল্লিয়ু এ সী ৱাবগাই শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীমক্না য়াম্না ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফতা টিম অনীনা অকনবা এটেক চথনরবসু গোল ওন্থোকপা ঙম্নদবদগী ০-০দা লৈখি।

অহানবা হাফতা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লাকখ্রবা মতুং অনীশুবা হাফ হৌরক্লগা মতুং মেচকী ৩৫শুবা মিনিটতা ৱাই দি ওগী জর্সি নম্বর ২৫ ইমব্রাম্না মেচ অদুগী অহানবা গোল চল্লগা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোকখি। ৱাই দি ওনা গোল অমা মাঙজিল থারবসু অহেনবা গোল চন্নবা মখা তানা এটেক চথ্বরকখি। মেচকী ৪৮শুবা মিনিটতা ৱাই দি ওগী জর্সি নম্বর ১০ উজেরনা গোল অমগা চল্লগা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ২-০দা মাঙজিল থাহনখি। গোলশিং অদু হন্দোক্লবগীদমক কে ৱাই দল্লিয়ু এ সীগী মায়কৈদগী কন্না শান্নখি। অদুবু মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা গোল অমা ফাওবা হন্দোকপা ঙমদনা কে ৱাই দল্লিয়ু এ সী মায়থীহৌখি। ইমব্রাম অমসুং উজেরনা চনখিবা গোল অনী অদুনা মেচ অদু ৱাই দি ও সোরানা গোল ২-০দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ুক পুং ৯.৩০ তাবদগী কে পি এস সী ককচীং অমসুং কে এম এস দল্লিয়ু সী কৈরক শান্নখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফতা টিম অনীমক্না গোল চন্নবগীদমক এটেম্প কয়া তৌনরবসু গোল ওন্থোকপা ঙম্নদবদগী ০-০দা লৈখি। অহানবা হাফতা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা লাকখ্রবা মতুং অনীশুবা হাফতা কে পি এস সীগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজনা শান্নরকখি। মেচকী ৩৫শুবা মিনিটতা কে পি এস সীগী জর্সি নম্বর ১০ লিলিসনা মেচ অদুগী অহানবা গোল চল্লগা মহাক্কী টিম্না গোল ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। মিনিট ৪ কান্নরগা মেচকী ৩৯শুবা মিনিটতা কে পি এস সীগী জর্সি নম্বর ৯ জষ্টিন্না মহাক্কী টিমগী অনীশুবা গোল চনশিনখি। কে পি এস সীগী মায়কৈদগী চনশিল্লকখিবা গোল ২ অদু হন্দোক্ন বগীদমক কে এম এস দল্লিয়ু সীগী শান্নরোয়শিংনা মেচকী অরোইবা মীকুপ ফাওবদা চোকথবা নাইদনা হোংনখি। অদুবু গোল অমা ফাওবা হন্দোকপা ঙমদনা কে এম এস দল্লিয়ু সী মায়থীহৌখি। কে পি এস সী ককচীংনা গোল ২-০দা মেচ অদু মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ুক পুং ১১ তাবদগী জে এ ককচীং অমসুং দি ৱাই এ এলাংখাংপোকপী শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীমক্না হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা অকনবা লম্বা তৌনরগা শান্নখি। অহানবা হাফতা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা লাকখ্রবা মতুং অনীশুবা হাফতা হেন্না য়াঙশিন্না শান্নরগা গোল চন্ননবা এটেম্প কয়া চথনখি। অদুবু টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদবদগী জে এ ককচীং অমসুং দি ৱাই এ এলাংখাংপোকপী ০-০দা দ্রো চৎখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৮শুবা অমসুং ঙসিগী অরোইবা মেচ ওইনা এস দল্লিয়ু সী কৈরক অমসুং কে এফ সী ককচীং শান্নখি। অহানবা হাফ হৌরকপা কুইদ্রিঙৈ মেচকী ১৪শুবা মিনিটতা এস দল্লিয়ু সী কৈরক্কী জর্সি নম্বর ১৬ সুমন্তনা মেচ অদুগী অহানবা গোল চল্লগা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোকখি। গোল অদু হন্দোক্নবগীদমক কে এফ সীগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোংনখি। অদুবু অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা গোল অদু কে এফ সীনা হন্দোকপা ঙমখিদবনা এস দল্লিয়ু সীনা গোল ১-০ দা মাঙজিল থারগা চৎখি।

অহানবা হাফতগী গোল অমা মাঙজিল থারক্লবসু অনীশুবা হাফতা অহেনবা গোল চন্নবগীদমক এস দল্লিয়ু সী কৈরক্না য়াম্না ফজনা শান্নখি। মেচকী ৩০শুবা মিনিটতা এস দল্লিয়ু সীগী জর্সি নম্বর ৪ রোনাল্ডোনা মহাক্কী টিমগী অনীশুবা গোল চনখি। এস দল্লিয়ু সীনা মাঙজিল থারিবা গোলশিং অদু হন্দোক্ন বগীদম কে এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা কন্না হোংনরবসু গোল অমা ফাওবা হন্দোকপা ঙমদনা মেচ অদু মায়থীহৌখি। সুমন্তনা অহানবা হাফতা অমসুং রোনাল্ডোনা অনীশুবা হাফতা চনখিবা গোল অনী অদুনা মেচ অদু এস দল্লিয়ু সী কৈরক্না গোল ২-০দা মায় পাকপা ঙমখি। টুর্নামেন্ট অসিগী মখা তাবা মেচশিং লাক্লিবা মার্চ ৩০দা শান্নরগনি।

### অহানবা ষ্টেট লেভেল মেন্স ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ হৌদোকখ্রে

# এন ৱাই ভি এ, এম পি এস সী মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ২৫ (ঐচএনএস) : লিলোং চজিং য়ুথ কম্যুনিতি সেন্তর কম কলচরেল ইন্সটিট্যুট (এল সী ৱাই সী সী সী সী আই), লিলোং য়ঙ সোসিএল সার্ভিস য়ুনিয়ন (এল ৱাই এস এস য়ু) অমদি মাইরেনখোং রাইজিং ক্লব (এম আর সী) গা খূৎশম্নরগা শিন্দুনা লিলোং চজিং পুখ্রি অচৌবা মপাল, লিলোং কোনুং লম্পাক অমসুং মাইরেনখোং পুথিবা লম্পাক্ত পাঙথোক্কদৌরিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল মেন্স ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ ঙসি লিলোং কোনুং লম্পাক্কী গ্রাউন্দদা হৌদোকখ্রে।

অহানবা ষ্টেট লেভেল মেন্স ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী হৌদোকপগী থৌরমদা কর্নেল এদির্সনল দি আই জি পি গোপেন্দ্রো, ময়াং ইম্ফাল এস দি সী কৈশাম রঘুমনি মীতৈ অমসুং পৱর গ্রিদ কোর্পোরেসন ওফ ইন্দিয়াগী এদিসনেল চীফ মেনেজর এ বিজয় কুমারনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুকয়াখি।

তোঙান তোঙানবা টিম ১০না শরুক য়াদুনা গ্রুপ ২ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল মেন্স ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ হৌদোকপা নুমিৎতা মেচ ২ শান্নখি। টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ুক পুং ৯.৩০ তাবদগী এন ৱাই ভি এ নাওরেম অমসুং এস দি সী শমুরৌ শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। মেচ অদু এন ৱাই ভি এ নাওরেম্না এস দি সী শমুরৌবু সেট ৩-০ (২৫-১৫, ২৫-২১, ২৫-১৩) দা মায়থীবা পীখি।

ঙসিগী অনীশুবা মেচ ওইনা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (এম পি এস সী) অমসুং বাখে লম্ফেল সনাকৈথেল শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীনা ফজনা শান্নখি। মেচ অদু এম পি এস সীনা বাখে লম্ফেল সনাকৈথেলবু সেট ৩-১ (২৫-১৭, ২৫-২৩, ২৭-২৯, ২৫-১৪) দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা হয়েং পূন্না মেচ ৪ শান্নগনি। অহানবা মেচতা ৱাই এম দি ও হৈরাঙ্গৈথোং অমসুং আই জি ও ওইনাম, অনীশুবা মেচ ওইনা বাখে লম্ফেল সনাকৈথেল অমসুং এস দি সী শমুরৌ, অহুমশুবা মেচ ওইনা আই জি ও ওইনাম অমসুং এল সী ৱাইসী সী সী সী আই চজিং অমদি মরিশুবা মেচ ওইনা কে ৱাই এল এস সী কাচিখুল অমসুং ৱাই পি এ হিরানমৈ শান্নগনি।



HL-B/4500/17/2-22April(alt.)

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com